# নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়া-য়ুক্রেনগী পিছ প্রোসেস থিংখি: ইজরেলগী হান্নগী পিএম নফটালি বেনেট



জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লান হৌখিবা মতুং শুপ্ন গী থা অমা খরা হেল্লকপা কুমজা ২০২২ গী এপ্রিলদা নাকল অনীগী মরক্তা পিছফুল সেটলমেন্ট অমা লাকপা য়াবগী ফিভম লৈরম্লবসু নোংচুপলোমগী পৱারশিংনা মদুবু থিংখি হায়না ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেটকী ৱারোল পল্লদুনা মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা ইজরেলগী চেন্নেল ১২ না লৌখিবা পুং ৫ রোম শাংবা ভিদিও ইন্টরভিয়ু অমদা ইজরেলগী হান্নগী পিএম অসিনা ক্লেম তৌখি, মদুদি মোস্কো অমসুং য়ুক্রেন অনীমক্না অমগা অমগা কন্সেসনশিং পীনদুনা ট্রুস অমা পুরকপগী ৱাফম য়ানবগী ফিভম অমা লাকপদগী মহাক্না মিদ্দলমেন অমগী থৌদাং লৌদুনা হোৎনরকখিবশিং মায় পাকপা য়াবগী ফিভম লাকখি।

অদুম ওইনমক নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগী মায়োক্তা মখা তানা এক্সন লৌখৎনবা ৱারেপ অমা লৌখিবনা মরম ওইদুনা নিগোসিএসনশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদে হায়না বেনেটনা ফোঙদোকখি।

বেনেটকী মতুং ইন্না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগী মায়োক্তা অকনবা ৱারেপ কয়া লৌবা পামখি। য়ুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা চৎখিবা পিছ প্রোসেস থিংবা লৈখিব্রা হায়না হংবদা মহাক্না তশেংনমক মখোয়না পিছ প্রোসেস অদুবু থিংখি হায়খি।

বেনেটনা মখা তারদুনা সিজ ফায়র অমা নাকল অনীগী মরক্তা পুরকপা য়াবগী অফবা চাঞ্জ অমা লৈখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি। বেনেটনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন মারিয়া জখারোবানা মদু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা পামদে হায়বগী অতোপ্পা শেংলবা খুদম চাংদম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

বেনেটকী মতুং ইন্না মহাক্না চৎথরিবা ৱাতেম্বগী থবক অদু মপুং ওইনা য়ুএস, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগা কুপ্না তান্নরগা কোওর্দিনেসন পুরক্নবা হোৎনবদা য়ুম্ফম ওইখি। তৌইগুম্বসুং লান মপুং ফানা চৎথরকপদগী নোংচুপলোমগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মান্নবা ফিরেপ অমা লৌবা ঙমখিদে। মতমদুগী বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা রসিয়াগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ লৌখি।

অমরোমদা, জর্মন চাঞ্জেল্লর ওলাব সোলস অমসুং ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোননা খুদিংমক্না য়ানগদবা মওংগী ফিরেপশিং লৌননবা হোৎনখি। য়ুএস প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ওইনদি অয়াম্বা মতমদা রসিয়াগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপশিং লৌবা পান্নবসু মতাং মতাংগী ওইনা খরা কোমথোকপগী ৱাখলসু চেনখি। মোস্কো অমসুং কিভকী মরক্তা পিছ দিলগী দ্রাফট ১৭ নক্তগা ১৮ মহাক্না শীন্দুনা শেম শাখি হায়না ইজরেলগী হান্নগী পিএম অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না পুটিনগী মায়কৈদগী পীহনখিবা থাজবশিংগী মনুংদা মহাক্না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিবু হাৎনবা হোৎনরোই হায়বা ৱাফম অসি য়াওখি। মতমদুদা জেলেন্সকিনা রসিয়ন লিদর অসিগী থৌওংশিংদা অকিবা উৎখিবা লৈ হায়রি।

মহাক্না কন্না হোৎনবদগী রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিননা য়ুক্রেনবু দি মিলিটরাইজেসন তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অদু হন্দোক্নবসু শেম শাবা লৈখ্রবনি অমদি জেলেন্সকিগী মায়কৈদগীসু নাটোদা য়াওনিংবগী অপাম্বা থাদোক্লিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকখি হায়নসু বেনেটনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা রসিয়াবু কিভকী বুটচা সবাবতা সিভিলিয়ন কয়া হাৎখি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা পিছ পুরক্নবগী দিস্কসন পুম্নমক এপ্রিল ১ দা থুপচিনখি।

# ‘চাদা ৬০ গী প্যুরিটি লেভেল ফাওবা য়ুরেনিয়ম ইনরিচ তৌরগনি হায়না আই এ ই এদা খঙহনখি’

টেহরান, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): ইরাননা লৈবাক অসিগী ফোরদো ফ্যুএল ইনরিচমেন্ট প্লান্ট (এফ এফ পি পি) দা প্যুরিটি লেভেল চাদা ৬০ ফাওবগী চাংদা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট হৌননবা ৱারেপ লৌরে হায়বসি টেহরান্না কুমজা ২০২২ গী নবেম্বরদা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) দা খঙহনখি হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখ্রে।



ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না নাসের কনানিনা ৱাফম অসি ইরানবু আই এ ই এগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়রগী ওইবা তৌফম থোকপশিং মওং মরিল তানা থুংহনখিদে হায়না হৌখিবা চয়োলদা য়ুএস, বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জমর্নিনা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা মরাল শীখিবগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইটতা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা কনানিনা হায়, ইরাননা য়ুএন ৱাটচদোগ অসিদা লৈবাক অসিগী ফর্দো ফেসিলিটিদা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্টগী থবক চাদা ৬০ গী প্যুরিটি লেভেল ফাওবা চৎথরগনি হায়বসি কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ১৭ তা খঙহনখি।

এজেন্সি অসিদা সম্মিট তৌখিবা দিজাইন ইনফোর্মেসন ক্বেসেনিয়র (দি আই ক্যু) দা ইনরিচমেন্টগী মোদ পুম্নমক পনখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা আই এ ই এনা কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারীদা ফেসিলিটি অদুবু ইন্সপেক্সন তৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি হৌখিবা নবেম্বরগী দি আই ক্যুগা চাংদম্নবদা ফেসিলিটি অদুদা অনৌবা নক্ত্রগা তাইওন্নবা থৌরাংশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা লৈতে। ইরানগী ফর্দো প্লান্টতা য়ুরেনিয়ম প্যুরিটি লেভেল চাদা ৬০ ফাওবা ইনরিচ তৌনবগী এদভান্স মেছিনশিংগী ক্লষ্টর অনীগী মরক্তা লৈরিবা ইন্টর কন্নেক্সনদা লাকখিবা অহোংবগা মরী লৈননা খঙহল্লকখিবা লৈতে হায়না য়ুএন এজেন্সি অসিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইরানবু মরাল শীখি। নুমিত্তুগী অথেংবদা এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসন ওফ ইরান (এ ই ও আই) গী স্পোক্সমেন বরহাউস কমলবান্দিনা হায়খি, মদুদি আই এ ই এগী ক্লেম অদু ইন্সপেক্তর অমনা পীখিবা অশোয়বা রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওই।

হৌখিবা থা খরা অসিদা আই এ ই এনা ইরাননা এজেন্সি অসিদা কো ওপরেসন পীবগী থৌওংশিংদা য়ানিংদবা উৎপা লৈখ্রবনি। ইরানগী ন্যুক্লিয়র সাইট খরদা য়ুরেনিয়মগী ট্রেস খরা থেংনৈ হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিগী ইনভেষ্টিগেটরশিংদা মতেং পাঙননবা ইৱরানদা তকশিনখিবা য়ুএস, বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জমর্নিগী রিজোলুসন অমা কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ১৭ তা আই এ ই এগী বোর্ড ওফ গভর্ণর্সনা পাস তৌখিবনি।

# মীওই ২৭ শিখিবা সাউথ সুদানগী ভাইওলেন্স য়ুএননা কন্দেম তৌখ্রে, প্রোব হৌখ্রে

জুবা, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): থা অসিগী ২ দা সাউথ সুদানগী সেন্ট্রেল ইক্বাটোরিয়া ষ্টেটতা লৈবা কাজো-কেজি কাউন্টিদা থোকখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখিবা অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙখিবা শাথিরবা ভাইওলেন্স য়ুনাইটেদ নেসন্স মিশন ইন সাউথ সুদান (য়ু এন এম আই এস এস) না কন্দেম তৌখ্রে।



সাউথ সুদানদা লৈবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলগী স্পিসল রিপ্রজেন্টেটিব নিকোলাস হেসম্না ওথোরিটিশিংদা য়াম্না থুনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চৎথবা হৌনবা অমদি চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি।

সাউথ সুদানগী কেপিটেল জুবাদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হেসম্না হায়খি, মদুদি ভাইওলেন্স অসি কনামত্তনা য়ারোই। হাৎন শুনবগী থৌদোক অদু সাউথ সুদানদা পাঙথোক্লিবা ইকুমেনিকেল পিছ পিলগ্রিমেসকী মেসেজকা মপুং ফানা তাইওন্নৈ। পিছ পিলগ্রিমেস অসিগী মেসেজতি খুৎ থোক্নরক্লিবশিংগী মরক্তা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা অমদি মখোয়গী মরক্তা শন্দাইনবা পুরক্নবা তকশিনবা অসিনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ভাইওলেন্স অসিনা মরম ওইদুনা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা মীওই ২০০০ লৈবাক মনুং অসিদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরে। ভাইওলেন্সনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবশিং অদুগী মনুংদা অহল লমন অমত্তা লোইনদ্রবা অঙাং ৩০ য়াওরি। কেটল কিপ্পরশিং অমসুং হোষ্ট কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা সেন্ট্রেল ইক্বাটোরিয়া ষ্টেট অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা মতম শাংনা উংখৎনরকপদগী থোক্লকখিবা ভাইওলেন্স অমসুং হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা য়ুএননা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন এম আই এস এসনা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চয়োল অনী খরা হেনবগী মতমদা ভাইওলেন্স কনখৎলকপদগী সেন্ট্রেল ইক্বাটোরিয়াগী মঙ্গলা পায়ম অমসুং কাজো-কেজি য়াওনা মফম কয়াদা খুৎলায় পায়দবা মীচম ৪৫ শিখি। হেসম্না সাউথ সুদানিষ্ট লিদরশিংদা খুৎ থোক্নরিবশিংগী মরক্তা পুক্লিং ফাথহন্নবা অমদি কনফ্লিক্টতা মতেং পাঙগদবা খোঙথাং অমত্তা লৈহন্দনবা তকশিনখি।

# কম্বোদিয়ানা লেবাননদা অনৌবা বেটচকী য়ুএন পিছ কিপ্পরশিং থাখ্রে

নোমপেন, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): লেবাননদা লৈরিবা য়ুএন মিশন অমদা য়াওহন্নবগীদমক কম্বোদিয়ানা পিছ কিপ্পর ২১৬ কী ১৩ শুবা বেটচ থাখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা নোমপেন ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা ফেয়রৱেল সেরিমোনি অমদা ৱা ঙাঙখিবা নেসনেল সেন্টর ফোর পিছ কিপ্পিং ফোর্সেসকী দিরেক্তর জেনরেল সেম সোবানিনা হায়খি, মদুদি মিলিটরি মল্টি-স্কিল ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রুপ অদুনা চহী অমগী টার্ম লোইখ্রবা ১২ শুবা বেটচ অদুগী মহুৎ শিনগনি।

মসি অমুকসু ঐখোয়গী লৈবাক্কী অমসুং মীয়ামগী চাওথোকচনিংঙাইনি। মসিনা লানগী চৈথেং নঙলবা মালেমগী লৈবাকশিংদা পিছ অমসুং সেক্যুরিটি লিংবদা কম্বোদিয়ানা থৱায় য়াওনা কন্ট্রিব্যুট তৌরি হায়বসি উৎলি।

সোবানিনা পিছ কিপ্পরশিং অদুদা য়ুএন রুলশিং অমসুং দিসিপ্লিনশিং, রুরেল কম্বোদিয়াগী আর্মদ ফোর্সেসকী কোদ ওফ ইথিক্স অমসুং হোষ্ট লৈবাক অদুগী লোশিং চেকশিন্না ঙাক্নবা পাউতাক পীখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি নখোয়গী মিশনদি য়ুএন অমসুং রোয়েল কম্বোদিয়ন আর্মদ ফোর্সেস রিপ্রজেন্ট তৌবদা নত্তনা কম্বোদিয়া অপুম্ববু রিপ্রজেন্ট তৌবনি হায়বসি মতম চুপ্পদা নখোয়না কাউরোইদবনি। মরম অদুনা দ্যুটি মনুং অমসুং দ্যুটিগী মতম নত্তবশিংদসু নখোয়গী থবক খুদিংমক্তা লৈবাক্কী ইকায় খুম্নবা ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

পিছ কিপ্পরশিংনা লেন্দমাইন ক্লিয়ারেন্স, লম্বী, থোং, সেল্টরশিং শেমগৎ শাগৎপা অমসুং ৱেলশিং হুৎপগী থবকশিং য়াওনা লৈরুরিবা মফমশিং অদুগী শেমগৎ শাগৎপা অমদি ঙাক শেনবগী থবকশিং পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৬ তা য়ুএন পিছ কিপ্পিং মিশনশিংদা শরুক য়াননবা ট্রুপশিং মপানদা থাখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা সাউথ সুদান, সুদান, সেন্ট্রেল অফ্রিকন রিপব্লিক, চাদ, সিরিয়া, লেবানন অমসুং মালিদা য়ুএনগী পিছ কিপ্পিং মিশনশিংদা য়াওননবা পুন্না ব্লু বেরেদ ৮০০০ গী মথক্তা থাখ্রে।

# কালেনগী মৈ চাক্কনবা মতমগী শেম শাবা ওইনা ভিক্তোরিয়া ষ্টেটনা নাইট এভিয়েসন প্রোগ্রাম হৌখ্রে

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): কালেনগী মৈ চাকপগী থৌদোক খ্বাইদগী হেন্না থোক্কনবা মতমগী শেম শাদুনা থংন-থংননা তরেৎশুবা চহীগী ওইনসু ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট ভিক্তোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অহিং অমদি অহিংগী মতমদা চৎথবা এভিয়েসন প্রোগ্রাম হৌখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টর ফোর ইমর্জেন্সি সার্ভিসেস জেক্লিন সিমিস অমসুং ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট কম্মিস্নর এন্দ্রু ক্রিপসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইসেন্দন এয়রপোর্টতা চৎখি। এয়রপোর্ট অদুদা নাইট এভিয়েসন ওপরেসনশিংদা ইনগেজ তৌবা হেলিকোপ্টর অহুম লৈরিবনি। হেলিকোপ্টরশিং অদু ষ্টেট অসিগী পুন্না এয়রক্রাফট ৫০ শুবা ফায়র ফাইটিং ফ্লিটকী মনুং চল্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না নাইট এভিয়েসন প্রোগ্রাম অদুদা সিঐচ ৪৭ চিনুপ অমা য়াওনা নাইট ফায়র বোম্বিং হেলিকোপ্টর অনী অমসুং ইনফ্রা-রেদ হাই-দিফিনিসন ভিদিও কেমেরা য়াওবা নোংথক্তগী ইন্টলিজেন্স গেদরিংদা শীজিন্নবা ফায়র বার্দ ৩০৮ হেলিকোপ্টর অমা য়াওরি।

এক্সপরিয়েন্স মতিক চানা লৈরবা ক্রু মেম্বরশিং অদুনা নুমিদাং অথেংবা অমসুং অহিংগী মতমদা ৱাটর বোম্বিং ফ্লাইটশিং কন্দক্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ নুংথিলগী মতমদা রিকোনিসন্স ফ্লাইটশিং মপুং ফানা পাঙথোক্কনি।

সিমিসনা হায়খি, মদুদি শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা নাপি শিংবী অমদি নারক মোঙশোং কংশিল্লকপদগী ষ্টেট অসিনা পায়খৎলক্লিবা নাইট এভিয়েসন পেত্রোল্লিংদা শরুক য়ারিবা ফ্লিট অদুনা ষ্টেট অসিগী কম্যুনিটিশিং ঙাক শেন্নবা ঐখোয়না হোৎনরিবশিংদা চাওনা মতেং পাঙলি।

অসুম্না নাইট এভিয়েসন পেত্রোল কনখৎলিঙৈ মতম অসিদা ঐখোয়না নুমিদাংগী মতমদতা নত্তনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদসু মীকুপ নাহুমশিংনা লৈ হায়না সিমিসনা ফোঙদোকখি।

ভিক্তোরিয়াগী কন্ট্রি ফায়র ওথোরিটি (সি এফ এ) নসু মীয়ামদা বুশ ফায়র সর্বাইবেল প্লান্ট অমা লৈহন্নবা অমদি ষ্টেট শীন থুংনা নারক মোংশোংশিং মৈ চাক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংলক্লবা মতম অসিদা করম্বা তাঞ্জাদা মখোয়না লৈরিবা মফমশিং থাদোক্কদগে হায়বনচিংবশিং খঙননবা আপিল তৌখি।

সি এফ এগী চীফ ওফিসর জেসন হেফরনেন্টনা হায়খি, মদুদি ইমর্জেন্সি মনুংদা ৱাখল নীংথিনা খনবা হায়বসি য়াম্না ৱানা থোকই। অদুনা রিস্ক ৱাংবা মফমশিংদা লৈরিবা ভিক্তোরিয়নশিংনা প্লান্ট অমা য়াৎতুনা মদুগী মতুং ইন্না মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

# মঙ্গোলিয়াগী লম চাদা ৭০ উন্না কুপশিনখ্রে

উলানবাটর, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): মঙ্গোলিয়াগী লম অপুম্বগী চাদা ৭০ রোম সেন্টিমিটর ৬০ ফাওবা থানা উননা কুপশিনখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ, এগ্রিকলচর এন্দ লাইফ ইন দষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়, লৈবাক অসিগী শরুক মরি থোকপগী অহুম্লোম উননা কুপশিল্লকপা অসিনা জুদ হায়না খঙনরিবা নিংথম থাগী কা হেনবা ৱেদরগী রিস্ক হেনগৎহল্লে।

জুদ হায়বসি উননা লৈমায় কুপশিনখিবনা মরম ওইদুনা য়ুমদা অমদি ফার্মদা লোইরিবা শাশিং মশিং য়াম্না শিহনবা নিংথম থাগী কা হেন্না ঈংবা ফিভম্মু পনবদা শীজিন্নবা মঙ্গোলিয়ন টর্মনি।

লৈবাক অসিগী শা-ষণ লোইরিবশিংনা মখোয়না থল্লকখিবা শজিক অপুম্বগী চাদা ৬০ শীজিন্নখ্রে হায়না রিপোর্টশিং অদুনা হায়রি।

# ঈশিংদা লূপখিবা সাউথ কোরিয়াগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হিগী ক্রু মেম্বর অহুম শিরম্লে

সিওল, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী খা নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপানগা নক্বনা লূপখিবা টন ২৪ গী ফিসিং বোট অমা থীরিবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হি অদুগী মনুংদা ক্রু মেম্বর অহুম শিরম্বা থেংনখি হায়না কোষ্ট গার্দ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, খা নোংচুপ থংবা সিনাম কাউন্টিদগী কিমি ২০ লোম লাপ্না লৈবা মী তাদবা দাইবেচি ঈথৎকী নোংচুপলোমদা কিমি ১৬.৬ লাপ্পা ঈশিংগী শরুক্তা ফেব্রুৱারী ৮ গী নুমিদাং পুং ১১.১৯ তাবা মতমদা চিয়াংবো কৌবা ভেসেল অদু ঈশিংদা মথক মখা ওনখিবগা লোয়ননা মদুগী ইঞ্জিন রুমদা ঈশিং চঙদুনা লূপখিবনি।

হি অদু ঈশিংদা লূপ্পগা লোয়ননা মদুদা তোংলিবা ফোরেন নেসনেল অহুম য়াওনা মীওই ১২ গী মনুংদা মীওই মাপন থীবা খঙদনা লৈরকখি।



অতৈ মীওই অহুমদি মফম অদুদা অতোপ্পা হি অমনা রেস্ক্যু তৌখি। ঈশিং মনুংদা থী হুল্লিবা দাইবরশিংনা লূপখ্রবা হি অদুগী মনুংদা চঙখি অমসুং নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.২২ তাবা মতমদা হি অদুগী কেবিন মনুংদা মাঙখ্রবা ক্রু মেম্বরশিংদুগী মনুংদা অমা শিরম্বা থেংনখি। মখোয়না মহাক্কী হকচাং অদু মফম অদুদগী পুখৎলকখি হায়না কোষ্ট গার্দকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংনা মহাকপু হি অদুগী মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা চীফ ইঞ্জিনিয়রনি হায়না আইদেন্টিফাই তৌখি। অতোপ্পা ক্রু মেম্বর অনী, কোরিয়ন অমা অমসুং অতোপ্পা ফোরেন্নর অমা মতুং তাবদা বেসেল অদুগা নক্বনা কোষ্ট গার্দ দাইবরশিংনা থেংনখি। ঙা ফাবদা শীজিন্নবা লাং অমদি অতৈ খুৎলায় কয়া ফিভম কায়না লৈবনা মরম ওইদুনা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ভেসেল অদুদা চঙনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মখোয়না ভেসেল অদু নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা ঈশিংদগী পুখৎলগা মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুবু মনুংদা থীননবা থৌরাং তৌখি।

# প্রোটেষ্টরশিং য়াওনা ইরানগী প্রিজিন্নর লিশিং কয়া সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অলি খামেনৈনা ঙাকপীখ্রে

টেহরান, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অলি খামেনৈনা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনবা কয়া য়াওনা প্রিজনর লিশিং কয়া ঙাকপীখ্রে।



পনবা য়াবদি, ইরানদা নহা ওইরিবী নুপী অমা কষ্টদিদা শিবদগী হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা লৈবাক শীন থুংনা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চৎথবা হৌখিবনি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম লিদরনা ১৯৭৯ গী ইস্লামিক রিভোলুসনগী কুমওন নুমিৎকী নোংমা মাঙওইননা ঙাকপীরিবদু কন্দিসন খরদনি হায়না লোকেল মেদিয়া পল্লদুনা বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইরানগী ষ্টেট মেদিয়াগী মতুং ইন্না দিটেন তৌরিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়াদি মপানগী ইথিল অমদি প্রোপেগন্দনা মরম ওইদুনা মথোং মরম খঙদনা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবশিংনি হায়না জুদিসরিগী হেদনা লেট্টর অমগী খুত্থাংদা খঙহল্লকপদগী অয়াটোলা খামেনৈনা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। প্রোটেষ্টর কয়ানা মতুং তাবদা মখোয়গী খোঙথাং অদুগী মতাংদা নুঙনাংবা উৎলকপগা লোয়ননা ঙাকপীনবা হায়জরকখি হায়নসু মহাক্কী লেটর অদুদা পনখি। দিপ্যুটি জুদিসরি চীফ সাদিক রাহিমিনা হায়খি, মদুদি ঙাকপীবা য়াগদবা ইনমেটশিংনা ইদুনা মখোয়না তৌখিবশিং অদুগী মতাংদা নুঙনাংবা উৎলক্তবা তারবদি মখোয়বু ঙাকপীবা নক্ত্রগা থাদোকপগী ৱাফম লৈরোই।

জুদিসরিগা মরী লৈনবা ন্যুজ এজেন্সি মিজানগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রহিমিনা হায়খি, মদুদি ইহান হানবা ওইনা অরোইবা ভর্দিক্ট অমত্তা পীরকপা লৈত্রিবা দিফেন্দেন্টশিংসু ঙাকপীগনি। অদুম ওইনমক মপানগী এজেন্সিশিংগীদমক্তা ইরানগী অরোন অথুপশিং খঙদোক্নবা হোৎনরম্বশিং, মী হাৎপা নক্ত্রগা ষ্টেট প্রোপর্টি মাঙহন তাকহনবগুম্বা অরুবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা চার্জ তৌরবশিংদি ঙাকপীবা তৌরোই।

# ইন্দিয়ন ওরিজন ওইবা অঙাং ৩ গী মপা গাড়ীনা থোম্বদা শিরে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): য়ুএসকী কনভিনেন্ট ষ্টোর অমদগী মচাশিংগীদমক ইন্সুলিন অমসুং পোকমোন কার্দশিং লৈবা চৎখিবা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা অমসুং অঙাং অহুমগী মপা ওইবা ইন্দিয়ন ওরিজিন নুপা অমা কার অমনা থোম্বদগী লৈখিদ্রে হায়রি।

পেন্সিলবানিয়াগী দৌফিন কাউন্টিদা লৈবা প্রিটিস পতেল কৌবা মীওই অদু মশরুম হিল রোদতা লৈবা কনভিনেন্ট ষ্টোর অমদগী থোক্লক্লবা মতুং লম্বী অমা লাল্লিঙৈদা নোংপোক্লোমদা থৌরকপা গাড়ী অমনা মহাকপু থোমখিবনি। থৌদোক অদু জনুৱারী ২৭ তা থোকখিবনি হায়না পেন লাইফকী রিপোর্টনা হায়রি।

পতেলবু হর্সি মেদিকেল সেন্টরদা ফ্লাইটতা পুখি। মহাক মফম অদুদা নুমিৎ খরনি মেছিনশিং শীজিন্নদুনা হিংহল্লকখিবা মতুং জনুৱারী ৩০ দা শিখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

# বংলাদেশতা হিন্দুগী লাইশঙ ১৪ অহিংগী মতমদা থুগায়রম্লে

ধাকা, ফেব্রুৱারী ৬ (এজেন্সী): বংলাদেশকী থাকুরগাউন দিষ্ট্রিক্টকী বালিয়াদঙ্গি উপ জিল্লাদা মশক খঙদবা লোগী মায়োক্তা লৈবা লমহেন তুহেনবা মীওইশিংনা অহিংগী মতমদা হিন্দুশিংগী লাইশঙ ১৪ মাঙহন তাকহল্লম্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লাইশঙশিং অদুবু থুগায়খ্রবা মতুংদা মখোয়গী ফিভম য়েংনবগীদমক লাকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা অকিবা অমদি খোইরাং খোইশাওনবা পোক্লখি। লাইশঙ পুম্নমক্তা পুলিস দিপ্লোই তৌখি হায়রি।

বালিয়াদঙ্গি পুলিস ষ্টেসনগী চীফ খাইরুল অনাম্না হায়খি, মদুদি এটেকশিং অদু এরিয়া অদুগী দন্টালা, চারোল অমসুং পারিয়া য়ুনিয়নশিংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ভিলেজশিংদা থাংজ নুমিৎকী অহিং অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মরক্তা থোকখিবনি। লাইশঙশিং অদুবু থৌদোক অদুগী মতুংদা য়েংশিনখিবা এসপি মোহম্মদ জহাঙ্গির হোসাইননা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি লাইশঙশিং অদুদা লৈরিবা লাইগী মীতমশিং থুগায়রম্লিবদু থিজিল্লিবা পুলিস ওফিসলশিংনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা থোকহন্নবা অমদি লৈবাক্কী ইমেজতা শোকহন্নবগী



পান্দমগা লোয়ননা থৌওং অদু চৎখিব্রা হায়বসি খঙদোক্নবা থিজিল্লি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা মশক খঙবা ঙমদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর এন মহাবুবু রাহমন্না হায়খি, মদুদি টাউন অদুগী মরা তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ফিভমদা অকায়বা পীবা এক্তিভিটিশিং চৎথরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী মতুং ইন্না মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা অকনবা চৈরাক পীরগনি।

বালিয়াঙ্গিগী উপ জিল্লা সেলেব্রেসন কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি বিদ্যনাথ বর্মননা হায়খি মদুদি দন্টলাদা লৈবা লাইশঙ মাপন, চারোলদা লৈবা লাইশঙ অমা অমসুং পরিয়াদা লৈবা লাইশঙ মরি ক্রিমিনেলশিং অদুনা এটেক তৌখি। লাইশঙশিং অদু হরিবাসর, লোর্দ কৃষ্ণ, মনাসা, লক্ষ্মী অমসুং কালিনচিংবা লাইশিংদা কখোকপনি।

লাইগী মীতমশিং অদুগী খুৎ, খোঙ অমসুং কোকশিং মচেৎ তানা থুগায়রমখি। মীতম খরদি থুগায়রগা পুখ্রিদা থাদরমখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীবা হায়বসি ওথোরিটিগী অপাম্বনি হায়না বর্মননা মখা তানা ফোঙদোকখি।